# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-08-2024)**

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মনিপুরদা দেঙ্গি লায়নানা নাবা মশিং হন্দক চহিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা ১৪৩ শুখ্রে।

ষ্টেট মেলারিয়া ওফিসার, মনিপুরগী চেরোল অমনা হায়-বিষ্ণুপুরদা হৌজিক দেঙ্গি পোজিটিব কেস ১২ লৈ, ইম্ফাল ইষ্টতা ৩৫, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৬৩, কাংপোকপীদা ২, থৌবালদা ২১, ককচিংদা তরুক অমদি উখ্রুলদা অমনি।

মরক অসিদা, কাংদগী শন্দোকপা লায়না জপানিস ইনসেফেলাইটিজ নাবা মীওই ৩১ মনুংদা মীওই অনিদি লৈখিদ্রে হায়রি। হৌজিক লায়না অসিনা নারিবা জিলাশিংদি-বিষ্ণুপুরদা মঙা, চান্দেলদা অনি, চুরাচান্দপুর অমা, ইম্ফাল ইষ্টতা তরুক, ইম্ফাল ৱেষ্টতা তরেৎ, কাংপোকপীদা অনি, থৌবালদা অনি, ককচিংদা মঙা অমদি উখ্রুলদা অমনি।

মীয়ামনা কাংনা চিকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা হোৎনবীয়ু। য়ুমগী অকোইবদা লু-নান্না থম্বা, ঈশিং থম্বা পাত্রাশিং মখুম খুম্বা অমদি ঈশিং তুংবা য়াবা পোৎলমশিং থম্বীদনবা ষ্টেট মেলারিয়া ওফিসারনা আপিল তৌরি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী লেফটনেন্ট জেনরেল-বিকাশ লখেরা অমদি মেজর জেনরেল-রবরুপ সিংহগা ঙরাং নুমিদাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা অসাম রাইফলসনা লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া লৌখৎলি অমদি রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিলহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়-অসাম রাইফলসনা মনিপুরগী মীয়ামগীদমক লৌখৎলিবা য়াইফ

থৌরাংশিং অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লি।

**বন্দ (এল)ঃ** রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মনিপুর, আর.এন.সি.এম-এন.টি.এলনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী, তোংজৈ মরিল-বিষ্ণুপুর-খৌপুম-রেংপাং লম্বী অমদি লৈমতাক লোক্তাক প্রোজেক্টকী লম্বীশিংদা কৌরম্বা মতম কক্তবা বন্দ হন্দোকখ্রে।

লুপ অসিগী মীহুৎশিংগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং নুমিদাং উন্নদুনা ৱারী শান্নবদগী বন্দ অদু হন্দোকখিবনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী মোংজাং অমসুং গুনজিলদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-এম.সিক্সতিন রাইফল অমা, লোকেল মেদ মোটার অনি, পম্পী অনি, পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং য়াওরি।

**ঈশিং (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লেপ্তুনা নোং চুরকপদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে। মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি ফাওবা রাজ্য অসিদা অকনবা নোং চুখিগনি হায়রি। মরম অদুনা মীয়ামনা চেকশিন্না লৈনবা ওরেঞ্জ অমসুং য়েল্লো এল্লার্ট লাউথোকখ্রে।

নোং অসিনা মরম ওইদুনা বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং য়াওনা মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিল্লে। যুম য়াওনা ঙায়োক ফার্ম কয়া ঈশিং থুমজিনবদগী খুদোংচাদবা মায়োকরে। মীওই কয়া রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈনরি।

বিষ্ণুপুর জিলাদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরিবা অসিগী য়েংদুনা ইথাই বরাজগী গেট মঙামক হাংদোক্লে।

ককচিং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা জিলা অদুদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী

তোর্বনশিং নিংখায়বা য়াবগী ফিভম লৈবদগী মীয়ামনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা অমদি মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংনা য়েংশিন্নবা হায়রি। করিগুম্বা মীয়ামনা খুদোংথিবা মায়োকরবদি মখাদা পীরিবা দিষ্ট্রিক্ট হেল্প লাইন নম্বর - 6909159819, এস.দি.ও. ককচিংগী 8787682707 নৎত্রগা এস.দি.ও. ৱাইখোংগী টেলিফোন নম্বর-9862405688 তা পাউ ফাওরকপা য়াগনি।

অমরোমদা, নোং লেপ্তুনা চুবদগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ কী মফম কয়াদা তোয়না চিং নিংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্লি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-অৱাং খুল ভিলেজকী মনাক্তা চিং নিংখায়বদগী গাড়ি ১০০ রোম পন্দুনা লৈরি। লম্বী শেম্বগী থবক তৌরিবা কন্সত্রক্সন কম্পানিনা চিং নিংখায়রিবা মফম অদু শেংদোকপগী থবক কন্না চখরি।

মনিপুরদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ইমায় খুদোংথিবা থাক্তা চেল্লে। অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে।

**ত্রিপুরা ঃ** ত্রিপুরাদা লম্বী নিংখায়বা অমসুং ঈচাও থোকপদগী মীওই তরেৎ লৈখিদ্রে।

রাজ্য অদুদা হৌখিবা নুমিৎ নিনিদা কন্না নোং চুবদগী তুরেলশিংগী ইমায় পাথোরক্তুনা মনাক নকপদা লৈবা য়ুমশিং থুমজিনখ্রে। রাজ্য সরকারনা রিলিফ কেম্প ১৮৩ হাংদোক্তুনা চংজফম পীরি। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চান-থকবা য়াওনা হিদাক লাংথকশিং ফংহল্লি।

ঈচাওনা শোকহল্লবা জিলাশিংদা ওফিসিএলশিংনা পুং ২৪ চ্পা মীকুপ নাহুমশিংনা শেন্নদুনা লৈরি। ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী থুমজিনখিবদগী জিলা অমগা জিলা অমগগী মরক্তা চেনবা গাড়িশিং চেনবা লেপখ্রে। মীয়াম চৎথোক চৎশিন য়াদবদগী খুদোংথিবা মায়োকরি।

**পিএমঃ** ভারত অমসুং মালেসিয়া লৈবাক অনিনা কালা সংস্কৃত্তি, টুরিজম অমদি শান্ন খোৎনবা য়াওনা হীরম কয়াদা য়ান্ন-চে সহি তৌনখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা হায়দ্রবাদ হাউসতা ঙরাং মালেসিয়াগী প্রধান মন্ত্রি-দাতোসিরি অনৱার বিন ইব্রাহিমগা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা য়ান্ন-ৱারোলশিং অদু সহি তৌনখিবনি।

শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং মালেসিয়া লৈবাক অনি মরুপ-মপাং ওইদুনা লাক্লি। মালেসিয়া অসি আসিয়ান লৈবাকশিং অমদি ইন্দো-পেসিফিক লমদমশিংগী মরুওইবা মপাংনি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ হুমিগী পোলেন্দ খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। হৌখিবা চহি ৪৫ দা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা পোলেন্দদা চৎপা অসি শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা অহানবনি। শ্রী মোদিনা ৱারসোদা লৈবা গুদ মহারাজা স্কৱারদা চৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি লৈবাক অসিগা পোলেন্দগা অফবা মরী লৈরকপা চহি ৭০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা চৎপনি। শ্রী মোদিনা পোলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি দোনাল্ড টক্সকা অমসুং রাষ্ট্রপতি অন্দরজেজ দুদাগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ৱারসোদা লৈবা ভারতকী লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিং অমদি লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরীগী মতাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা খন্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা, ৩৩ শুবা মনিপুরি লোলগী নুমিৎ মফম কয়াদা পাঙথোকখিবা, মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও মায়োকবা অমসুং জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুর ৱিন্নর ওইখিবা পাউ, তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

পোকফমদা-মনিপুরি লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গৗইজদা চলহন্নবা দ্রাফট প্রপোজেল থারগনি হায়না মন্ত্রি-বসন্তকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-য়েৎপীনবা য়াম্বদগী মনিপুরি লোল চাউখৎপা থিন্থবনি হায়না ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপেসকী এদিসন অনিমক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর ন্যুজ, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তুরেল অয়াম্বা ৱার্নিং, ফ্লদ লেবেলগী মথক্তা ঈশিং চেল্লি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

থৌবাল অমসুং ককচিং জিলা য়াওনা ময়াং ইম্ফালদা ঈশিং ঈচাও মায়োক বা হৌরে, থৌবাল জিলাগী তুরেলশিংগী ইমায় পাথোকে, য়ুম থুল্লে অমদি ঙায়োক ফামশিং ঈশিং থুল্লে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংনরি।

জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরনা ঝরখন্দবু মায়থিবা পীদুনা ১১ রক শুবা টাইতল লৌখ্রে হায়না মনিপুর ন্যুজতা ফোংলি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদা মনিপুরি নুপীমচাশিংনা রেকোর্ড ওইনা টাইতল লৌরে হায়না ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংবা থেংনরে।

মফম কয়াদা রাজিব গান্ধিগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ

সঙাই এক্সপ্রেস, হুইয়েন লানপাউ, পোকফমনচিংবা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা কিয়ামগৈদা লৈবা কোবিদ হোস্পিতালগী ফিভম য়েংশিনখিবা, চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজকী মহৈরোই অমদি ষ্টাফশিং উন্নখিবা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-লৈখিদ্রবা রাজিব গান্ধিগী মপোক নুমিৎ পালন পাঙথোকপগী পাউ, সুপ্রিম কোর্টনা খোঙজং চংশিল্লিবা ডাক্তরশিং থবক হৌনবা হায়খিবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হোর্ন বিলস এক্সপ্রেসতা-দিমাপুর-কোহিমা লম্বীদা চিং নিংখায়দুনা গাড়ি কয়া পন্দুনা লৈবগী পাউ অমসুং মরাল-পল্লেল লম্বীদা মীওই অমা লৈখিদবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।